ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল ৱাংজিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ২শুবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা রিবন কক্তুনা হাংদোকপা

লামায় ৬

থৌবাল কৈথেলদা লৈবা ঈতিন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখিবা

লামায় ৬

ঈ জেদ সী সী কোলকটাগী শেন্থং মখাদা ত্রিপুরা লৈঙাক্কী মতেং লৌরগা অহানবা ওইনা ত্রিপুরাদা মণিপুর দান্স কষ্ট্যুম দিজাইনরগী মতাংদা চথরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম

কোন্থৌজম মখা লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না কোনবা য়ুমথোঙ ৩০০ লোমদা এসোসিএসন অসিনা হৱাই, থুম, থাও অমদি মোরোক্লচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা মতেং পাঙখিবা

লামায় ৫

Vol. 44, Issue No.138 য়ুমশকৈশা, থৱানগী ২৩নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, August 12, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচএনএস) : কৃষ্ণ জন্মাস্তামি ২০২০না লাকপগা মরী লৈননা গভর্ণর নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, লোর্দ কৃষ্ণগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা কৃষ্ণ জন্মাস্তামিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লৈবাক শিনবা থুংনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্লরি। লোয়ননা মহাক্লা নুংশি-চান্নবা পুরক্লবা তাকপী-তম্বীরম্মী হায়না থাজনরি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় খূদিংমক্তা নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীবগী থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা হায়, হিন্দু লাইনিং চৎপা ইচিল-ইনাও খূদিংমক্কী মফমদা কৃষ্ণ জন্মাস্তামিনা লাকপদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

‘ক্বারন্টিন তৌরিঙৈদা ডোক্টর, হেল্থ ৱর্করশিং ছুটিদা লৈ হায়না লৌরোই’

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হায়খ্রে মদুদি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ডোক্টর অমদি হেল্থ ৱর্করশিং ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিঙৈগী মনুংদা মথৌ পাঙথোক্লি অমসুং ছুটিদা লৈতে হায়না লৌগনি।

সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা হায়খি মদুদি ওগষ্ট ৬তা হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট পুন্নমক্তা খঙহনবা লৈখ্রে। ষ্টেট অয়াম্বদা ডোক্টরশিং ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লিঙৈদা কেজুএল লিভতা লৈ হায়বা ৱাফম য়ুনাইটেদ রেসিদেন্ট ডোক্টরস এসোসিএসন (য়ু আর দি এ) না পুখৎলকপ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মথক্কী ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবনি।

ডোক্টরশিংগী ওর্গনাইজেসন অদুনা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অমনা হায়খি মদুদি অনা লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্টরশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

HL Poll

Q: Covid-19 laina-laichatki case mashing ka henna yamkhatlaklibasi social distancinggi kanglon soibadagini haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State ashigi leikai khudingmak Covid-19 gi containment zone oina laothorakpa yai haina khanbra?

Yes 73% No 27%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৮৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৭৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৪.৬৯ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ঐসে নারে হায়বসু মখোয়না হায়, ফরে হায়বসু মখোয়না হায়, ইশাদি খঙদে।

- ꯑꯩꯁꯦ ꯅꯥꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏ, ꯐꯔꯦ ꯍꯥꯏꯕꯁꯨ ꯃꯈꯣꯏꯅꯥ ꯍꯥꯏ, ꯏꯁꯥꯗꯤ ꯈꯪꯗꯦ꯫



- চাইনাগী লায়নানি, অদুননি।

- ꯆꯥꯏꯅꯥꯒꯤ ꯂꯥꯏꯅꯥꯅꯤ, ꯑꯗꯨꯅꯅꯤ꯫

হেনরি, লুখোই, অবদুল নাসির, ঙমথং, গিনসুৱানহাও ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রে

এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগী জজমেন্ট লাউথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস): তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ ৬না ফম থাদোক্লবা চেরোল পীশিনখিবদা এম এল এ ৫ ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরি এম রমনিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখ্রবা এম এল এশিং অদুদি ৱাংখৈ এ সীগী ওক্রম হেনরি, ৱাঙ্গোই এ সীগী ওইনাম লুখোই, লিলোং এ সীগী মহম্মদ অবদুল নাসির, সাইটু এ সীগী ঙমথং হাওকিপ অমসুং সিংহাট এ সীগী গিনসুৱানহাওনি।

এসেমব্লিগী নোংজু মীফম মাঙওইননা ঙরাং এম এল এ তরুকনা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবনি। ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রবশিং অদুদি ৱাংখৈ এ সীগী ওক্রম হেনরি, ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী পি ব্রোজেন, সাইতু এ সীগী ঙমথং হাওকিপ, ৱাঙ্গোই এ সীগী ওইনাম লুখোই, সিংহাট এ সীগী গিন্সুৱানহাও জৌ অমদি লিলোং এ সীগী অব্দুল নাসিরনি। এম এল এ তরুকনা ফম থাদোকপগী চেরোল কৃপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা এম এল এ ৫ ফম থাদোকপদা অয়াবা পীখিবনি।

চৈরকসিদা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ৩৪-ৱাংজিং তেন্থা এ সীদগী কোংগ্রেস এম এল এ ওইনা কারকখিবা পাওনম ব্রোজেনগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্লবা মতম স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা লেপখ্রে।

ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি এম রমনিনা থোকখিবা নোটিশকী মতুংইন্না কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

কোভিদ-১৯না লৈখিদবা ১২ শুখ্রে, কেসসু ৪০০০ য়ৌশিল্লক্লে

এম এল এ ফজুর রহিম রিমস হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংমৈবুং পুরানা রাজবারিদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা নুপা অমসু ঙসি অয়ুক পুং ৬ লোম তারকপদা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মীশিং ১২ শুখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশিংসু ৪০০০ য়ৌশিল্লক্লে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা নুপা ৪৩ অমসুং নুপী ৩২ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৭৫ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৩ পুন্না মীওই ৮৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মরক্তগী মীওই ৭৫ পোজিটিভ ওইরিবা অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৫৫, থৌবালদগী ২, সেনাপতিদগী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৮, নোনেদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ৪, তমেংলোংদগী ১ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১ য়াওরি। কামজেংদগী মীওই ১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ১ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৭৩ দি মণিপুরগী মপানদা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওইশিংনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমদুনা লায়েংবগী থবক হৌখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকসু চথরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ৩৩ সু দিসচার্জ তৌখ্রে। মীওইশিং অসি সী এ পি এফতগী ২০, সী সী মৈত্রমদগী ৬, জেনিমসতগী ২ অমসুং সী সী উখ্রুলদগী ৫নি। ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেস ৮৮ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পুন্না কেস ৩৯৪১ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩০৬৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৮৮৯ য়াওরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা কেস মশিংনা ২১৫৫ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসননা ১৯৮৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলনা ১৭০ নি। রিকভরি রেটনা চাদা ৫৪.৬৮ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক এক্টিভ কেস মশিংনা ১৭৭৪ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসন ১০৫৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৭১৯ য়াওরি। ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা নুপা অমসু লৈখিদ্রে। মহাক অতোপ-অতোপ্পা লায়না-লায়ওং কয়াসু লৈবা মীওইনি। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মীশিং ১২ শুখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মণিপুরগী অহানবা লেজিসলেচর ওইরিবা ৱাবগাই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ফজুর রহিম ঙসি নুমীদাং পুং ৯ লোম তারকপদা ইম্ফাল হোস্পিটালদগী লৌখৎলবা মতুং রিমস হোস্পিটালদা এদমিট ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

নফসাগী মতাংদা লৌখৎপা থবক্কী এফিদেবিট ফাইল তৌনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচএনএস): মণিপুরদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা), ২০১৩গী য়াওনা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টম (পি দি এস) কী আইটেমশিং মীয়ামদা চপ মান্ননা ফংহল্লু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী মতাংদা হায়কোর্টনা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরল এম রারিদা পি আই এল অসিদা পল্লক্লিবা নফসাগী মতাংদা লৌখৎখিবা থবকশিং উৎপা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ঙসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখিবা পি আই এল অসিগী নম্বর - ২০ ওফ ২০১৭নি। মসিগী পিটিস্নরনা এম দি অবদুল জাবারনি।

দিভিজন বেঞ্চনা পি আই এল অসি লৌখৎলদুনা খন্নরকপদা মথক্কী দিরেক্সন অসি ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিশনল এ জিদা পীখি। লোয়ননা কোর্টনা কেস অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইনা খনখিবা কাউন্সেল ডা. আর কে দিপককী মমিংসু কেস অসিগীদমক কোজ লিষ্টতা হাপ্পনবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর - ৪৮ ওইরিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল সোলিসিটর ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

রসিয়ানা মালেমদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী): রসিয়ানা মালেমদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা মীওই পুন্নমকপু পুটিননা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মালেমগী মীয়ামদা রসিয়ানা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন খুদোল তল্লে হায়না লাউথোক্লদুনা পুটিননা হায়খি, ভেক্সিন পুথোক্লবগী চাংয়েংদা শরুক য়াদুনা লাকখিবী মহাক্কী মচানুপীসু কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন অসি কাপখ্রে।

অহানবা দোজ কাপ্পবা মতুংদা মচানুপী অদুগী হকচাংগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮ য়ৌরকখি। থংনবা নুমিৎতা টেম্পরেচর খরা হন্থরকপগা লোয়ননা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭ ওইরকখি। অনীশুবা দোজ কাপ্পা মতমদসু হকচাংগী টেম্পরেচর ৱাংখৎলকখি। অদুবু হৌজিক্তি থোইদোক্লা খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে।

রসিয়ানা মালেমদা ইহান হান্না খুদোল তল্লিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি চাং য়াম্না পুথোক্তুনা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা য়ৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

চৈরকসিদা, রসিয়াগী হেল্থ মিনিষ্টর মিখাইল মুরাস্কোনা হায়খি মদুদি মফম ২- গমলেয়া রিছার্স ইন্সটিট্যুট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ইন্টরনেসনল য়ূথ দেনা লাকপদা

‘মতমবু ইকায়খুম্নরবদি মতমনসু ইকায়খুম্নবিরক্কনি’

জি ইঙোবি চোংথাম, সাইক্লিষ্ট

গোবিন্দাস উয়াল, কোমেদিয়ান

রোমেরো য়ুমখাম, ওন্ট্রপ্রিনর

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা নহারোলশিংগী অচৌবা থৌদাংগী মখা য়াম্না পোল্লি। নহারোল হায়বসি লৈবাক অমগী য়াংলেনগী শরুনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ইন্টরনেসনল য়ুথ দেনা লাকপগা ইরোইননা মশাগী তোপ-তোপ্পা খাংবা কনবা থৌনা অমগা লোয়ননা হোৎনরক্লুনা খুন্নাই অসিগী নহারোলশিংদা পাউজেল অমা পীবা ঙল্লবা য়ুথশিংগী রোল মোদেল ওইরবা মীওই খরনা পাউচে অসিদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

ৱন ৱর্ল্ড ৱন ফেমিলিগী নুংশিবগী পাউজেল পুদুনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৭ মোনমার, থাইলেন্দ, মালেসিয়া, কম্বোদিয়া, লাওস, ভেটনাম অমদি সিঙ্গাপুর ফাওবা সাইকিলগী খোঙচৎতা নুমীৎ ২২০ চঙনা মায়পাক্লা চৎতুনা বেষ্ট ইন্সপেয়ার দিলিগেটস এৱার্দ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অশুকনা ওগষ্ট ১৫দা টোটেল শটদাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা ওগষ্ট ১৫গী অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ৱেসিয়াগী মফম পুন্নমক্তা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়না এলাইন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিয়ন কংলৈপাক (অশুক) না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অশুক্কী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কন্ভেনর এস মণ্ডলনা থাদোরকপা হিন্যুত্রেপ নেসনল লিবরেসন কাউন্সিল (ঐচ এন এল সী) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সেনকুপ নোংত্রো, কংলৈ য়াওল কন্না-লুপ (কে ৱাই কে এল) গী চেয়রমেন এন ওকেন, কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ লাবা মৈতৈ, নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপ্রা (এন এল এফ টি) গী প্রসিদেন্ট ঐচ য়ু বোরোক, কমটাপুর লিবরেসন ওর্গনাইজেন (কে এল ও) গী চেয়রমেন জিবন সিংহ কোচ অমসুং পিপলস দেম্যক্রেটিক কাউন্সিল ওফ কার্বিলোংগ্রি (পি দি সী কে) গী চেয়রমেন জে কে লিজ ইংনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা হায়, শাংলবা চহী ৭৩ নেসনল ইন্টিগ্রেসনগী থৌরাং লৌখৎলবসু ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা লোন ২০০০ হেন্না লৈরি। হিন্দি লোন ঙাঙবা ময়োল লমদমগা অকোয়বগী হিন্দি খঙবা মফমশিংগা চপ মান্নহনবা ঙমদ্রি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়ানা মপূং ফাবা নেসন অমা ওইবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই।

ইন্দিয়ন নেসনেলিজম হায়বসি বৃটিশ কোলোনিএলিজমগী খুদোলনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মায় পাক্লবা মতুংদা বৃটিশ এম্পয়রনা সাউথ এসিয়ন সব কন্টিনেন্ট য়াওনা মফম কয়ামরুমদা নীংতম ঈহৌ কনখৎলক্লিঙৈদা তুংগীমক খল্লগা মনীং মখা তম্না পীরমখি। ইন্দিয়ানা নীংতম্না হেক ফংবগা কাশ্মীর, হায়দরবাদ, জুনাগর, কুচবিহার, মণিপুর অমদি ত্রিপুরা খুদুম চনখি। কুমজা ১৯৬১গী দিসেম্বরদা ইন্দিয়ন আর্মিনা গোৱাদা লান্দাদুনা গোৱা খুদুম চনখি। কুমজা ১৯৭৫গী এপ্রিলদা সিক্কিম লৌশিনখি। ঙসিদি নেপাল, ভুটান, শ্রী লঙ্কা, মালদিপস অমসুং বাংলাদেশনচিংবা সাউথ এসিয়াগী অপিকপা অমসুং মপাঙ্গল শোনবা লৈবাকশিংদা ইন্দিয়ানা মীৎয়েং চঙবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

‘করম্বা ৱাফমদা য়ানগদৌরিবনো’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস): করম্বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনো হায়না য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন্স ওফ মণিপুর রাইটরসনা হংলক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট যোধচন্দ্র সনসম অমসুং সেক্রেটরি রাকেস নাওরেমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা লোম্না থুপ্পা থবক তৌবগী মওং অমা উবা ফংলিবা অসি চহী ২০০০ হেন্না মনীং তম্না পাল্লক্লবা মণিপুরগী মাঙ তাক্লবা ৱাফম য়াওব্রা হায়বদু খন্ননীংঙাই ওই।

মতম শাংনা মনীং তম্না লৈবাক অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

এন আর এফ এমনা ওগষ্ট ১৫ মণিপুর বন্দ লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১: ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমীৎ ওগষ্ট ১৫ মণিপুরদা পাঙথোক্তনবা নেসনল রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)না চহী খূদিংগী থিংদুনা লাকপগুম হন্দক চহীগীসু নুমীৎ অসিগী নোংয়াই মতুং পুং ১ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মণিপুর পুম্বা অথিংবা থল্লে হায়না এন আর এফ এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ইরমদম মণিপুর চহী চা কয়া মীরোন নাইনা হিংলক্লিবা ঐখোয়গীদি মণিপুরনা থৱায়নি, হকচাংনি। মাগীদমক হিংবা তাই, শিবা তাই। মাগীদমক নোক্লা-নোক্লা থৱায় থাখিবা ইপা-ইপু নীংশিংবা তাই। লানফম কয়া মণিপুরগীদমক মায়োক্লরমখিবনি। লানফমশিং অদু ঐখোয়গীদমক্তনি। হৌজিকসু শীংনরকপা খূদিং মায়োক্লবা হায়বদু ঐখোয়গী থৌদাংনি। ঐখোয় শেম-শাদুনা লৈরে, কুইরে মীখা পোন্দুনা হিংলক্লিবা নীংতম্বগী ওইরক্লিবা অরোইবা লান ঐখোয় থিন্থরগুমসি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মণিপুরদসু খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ লাক্লিবা ওগষ্ট ১৫ নুমীৎতি অথিংবা থমদবা য়াদবনিনা লৈপাক মীয়ামদা অথিংবা অসি লাউথোকচখিবনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ মায়োক্লরিবা মীয়ামগী অৱাবদসু এন আর এফ এমনা শরুক য়াজরি। লায়না লাইচৎ অসি ইরমদম য়ৌরক্তিঙৈগীনা অমা ওইখ্রবসু হৌজিক্তি য়ৌরকখ্রবনিনা থেংনবা হায়বদু থোক্লে। ঐখোয় পূক্লিং তমথনা ইথক থক্কৎতনা থেংনবনা লায়না অসিগা থেংনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি খঞ্জৈ। য়ারিবমখৈ থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা পুন্নমক্তা হোৎনম্নিসি। লাইচৎ অসি থেংনবদা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবীরিবা মরী লৈনবা খ্বাই পুন্সু ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

চহী ৪০০গী মমাংদগী য়ুরোপকী লল্লোনবা খূৎপুনা য়ৌরক্তুনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৬০০ হেন্না লৌশিন্দুনা বৃটিশ লোইলম ইন্দিয়া হায়না মিংথোনবীদুনা শেমগৎপীরম্বা ঙসিগী ইন্দিয়া নোংচুপলোমদগী মহৈ-মশিন তম্লবা ইন্দিয়া মচা কয়ানা বৃটিশকী মীওৎ-মীনৈ মখাদা হিংবা ৱারদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

নাগা পিছ টোক্কী মতাংদা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সেপ্টেম্বর থা য়ৌদ্রিঙৈদা ইশা ইশাগী ফিরেপ অমদি থৌদাং লৌবীহৌ : য়ু সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : নাগা পিছ টোক্কী মতাংদা মণিপুরগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা সেপ্টেম্বর থা য়ৌদ্রিঙৈদা ইশা ইশাগী ফিরেপ অমদি থৌদাং লৌবীহৌ হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৯দা গুৱাহাতিদা ফোঙবা পাউচে অমদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিস (পি এম ও)না নাগা পিছ টোক্কী অরোইবা য়ান্নচে নাগা পেক লোইশিন্নবগী অরোইবা মতম লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থা অসিদা লেপখ্রে হায়না ফোঙলি অমদি পিছ টোক অসিগী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিবু এগ্রিমেন্ট অসিগী সাইন তৌনগদবা মফম অমদি মতম লেপ্পনবা শীন্নখ্রে হায়রিবা পাউ অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে। য়ু সী এমনসু কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈবাক অসিগী অপূনবগী শক্তম কন্ননবগীদমক্তা শেন্নদুনা লৈরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা ঙরাং নুংথিল ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিনা কোহিমাদগী ইম্ফাল ফাওদুনা দিল্লিগীদমক খোঙশানবগী লন্থীদা এয়রপোর্টতা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক মশামকসু দিল্লিদা ৱারী শাবা অসিগী শরুক য়াবা চৎপনি হায়বসি কনফর্ম ওইখ্রে অমদি মসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী নাগাগী সী এস ওগী লুচিংবা খরসু দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকপগী পাউ লৈরে। এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা য়ানদনা লৈরিবা ৱাফম অনী হায়বদি তোখায়বা নাগাগী ফ্লেগ অমদি কনষ্টিট্যুসন হায়বা ৱাফম অনী অসি থমহৌরগা মখা তানা এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনরবা মতুংদা খন্ননবা য়ানরিবা অতোপ্পা ৱাফম খূদিংমক্কী ওইনা অরেপ্পা অমদা য়ানরবনিনা মদুদা ওইনা পিছ টোক অসিগী অরোইবা য়ান্নচে তৌনরগনি হায়না পাউ অসিদা পল্লি। পাউ অসিনা অচুম্বা ওইরবদি হৌজিক মণিপুর মীয়াম্না অমদি লৈঙাকপশিংনা পুন্না খঙমিন্নগদবা ৱাফমশিং য়ু সী এমগী মায়কৈদগী মথং-মনাও নাইনা থমজরি।

অপূনবদা, এন এন পি জি অমদি এন এস সী এন-আই এমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা তাঙ্কক অনীদা য়ানরিবা ৱাফমশিং অসি ঙসি ফাওবদা সিগনেটরি ওইরিবা মখোয় খরা অসি নত্তনা কনা অমত্তনা এগ্রিমেন্ট অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মরোল খঙদ্রি। মদুগী ময়েক লারবা খুদমদি হন্দক্তা নাগালেন্দদা বেজ তৌবা নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)না মীদিয়াদা পিছ টোক অসিগী টর্ম ওফ এগ্রিমেন্ট দিস্ক্লোজ তৌরকউ হায়না লাউখিবা অসিনি।

মণিপুর (কংলৈপাক) গী ওইনদি ঙসি ফাওবদা মণিপুর মীয়াম অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিদা হীরম অসিগী মতাংদা করিগুম্না অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। শুপ্নগী হায়রু হায়রুবা মতমদা পাউখুম ওইনা মচিন্দা শোকহল্লোই, তৌরোই হায়বা অসিখক্তনি। চহী ২৩গী নাগা পিছ প্রোসেস অসিগী খোঙচৎ অসিদা ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়াম্না ...মখা লামায় ৩ কলম ২

পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকরশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোব পীখ্রে

কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা মীয়ামদা মতম মতমগী ওইবা ঈ-পাউশিং ফংহন্নবগীদমক মণিপুরদা ফোঙবা তোঙান-তোঙানবা পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকরশিংদা হুইয়েন লানপাউগী মায়কৈদগী ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোবশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক পাউচে অসিবু লৌবা লাক্লিবা হোকরশিংদা মখা তানসু হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সকী মায়কৈদগী ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোবশিং তেংবাঙখিগনি। হোকরশিংবু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা খরদং মতেং ওইনবা অমদি মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা থৌরাং অসি পাউচে অসিনা পায়খৎচবনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫